কোভিদকা মরী লৈনবা হেল্থ রেস্পোন্সকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টরনা ফ্লোর লীদরশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

লৈবাক অসিগী কোভিদ-১৯গী ফিভম অমসুং পেন্দমিক অসিগা মরী লৈনবা পব্লিক হেল্থ রেস্পোন্সকী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী ফ্লোর লীদরশিংগা মীফম পাঙথোকখ্রে।

হাউস অনীমক্কী পার্টি খুদিংগী ফ্লোর লীদরশিংগা লোয়ননা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরনা পেন্দমিক অসি পোলিটিক্সকী ৱাফম নত্তে, তৌইগুম্বসুং হৌখিবা চহী ১০০গী মতমদা অমুক্তা থোকখিদ্রিবা ফিভম অমনি হায়খি। মীফম অদুদা শরুক য়াদুনা প্রেক্টিকেল ইনপুটশিং অমসুং সজেসনশিং পীবগীদমক মহাক্না লুচিংবা খুদিংমকপু থাগৎখি অমসুং লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংগী ইনপুটশিংনা পোলিসি দিজাইনদা চাওনা মতেং পাংলগনি হায়খি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা লৈবাক অসিগী দিষ্ট্রিক্ট খুদিংমক্তা ওক্সিজেন প্লান্ট অমমম লৈহন্নবা হোৎনরি হায়বা ৱাফম ফ্লোর লীদরশিংদা খঙহনখি অমসুং ইন্দিয়াগী ভেক্সিনেসনগী খোঙজেল য়াঙশিন্দুনা নুমিৎ ৮৫ নিগী মনুংদা অহানবা দোজ ক্রোর ১০ কাপথোকখি অমদি নুমিৎ ২৪ নিগী মনুংদা অকোনবা দোজ ক্রোর ১০ কাপখি হায়না ফোঙদোকখি।

মীয়ামদা খুদোংচাদবা থোক্তনবা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ভেক্সিনগী দোজগী মতাংদা মাঙজৌননা খঙহল্লবা ইনফোর্মেসনদা য়ুম্ফম ওইরগা দিষ্ট্রিক্ট লেভেলদা ভেক্সিনেসন ড্রাইভ চখনবা নীংথিনা থৌরাং তৌবা মথৌ তাই হায়না পল্লদুনা মোদিনা হায়খি, ভেক্সিনেসন ড্রাইভ হৌখিবা থা তরুক হৌখ্রবা ফাওবা হেল্থক্যের অমসুং ফ্রন্টলাইন ৱর্কর কয়া হৌজিক ফাওবা ভেক্সিন কাপ্তুনা লৈরিবসি য়াম্না নুংনাংনিংঙাইনি। হীরম অসিগী মতাংদা ষ্টেটশিংনা হেন্না থৱায় য়াওনা হোৎনফম থোকই।

তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা হৌজিক লৈরিবা পেন্দমিকী ফিভম খঙদোক্তুনা ঐখোয়সু মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈবা চঙই হায়নসু প্রাইম মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, তোয়না ম্যুটেসন তৌবা অসিনা লায়না অসি করি ফিভমদা লাকপা য়াবগে হায়বসি তস্না ঙমদে। অদুনা ঐখোয় খুদিংমক্না লায়না অসিবু থেংনমিন্নগদবনি।

পেন্দমিক অসিগা মরী লৈননা লেপ্তুনা মোনিটরিং তৌবা অমসুং চোকথবা নাইদনা হোৎনবগীদমক্তা প্রাইম মিনিষ্টরবু হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর ঐচ দি দেভে গৌরানা থাগৎখি। তোঙান তোঙানবা পার্টিশিংগী লুচিংবশিংনসু প্রাইম মিনিষ্টরবু থাগৎখি। লুচিংবশিংনা লায়না অসিগা মরী লৈনবা মখোয়গী এক্সপরিএন্সশিং থমখি। ওপোজিসন লীদরশিংনা মখোয় মখোয়গী ষ্টেটশিংগী কোভিদকী ফিভম অমসুং ভেক্সিনেসন ষ্টেটসকী মতাংদা থমখি।

পেন্দমিক মনুং হৌজিক ফাওবদা প্রাইম মিনিষ্টরনা চীফ মিনিষ্টরশিংগা মীটিং ২৩ পাঙথোকখি অমসুং য়ুনিয়ন হেল্থ মিনিষ্টরনা ষ্টেটশিংগা মীটিং ২৯ পাঙথোকখি হায়বসি মীফম অদুদা ওপোজিসন লীদরশিংদা খঙহনখি।

দি এন এ-বেজ কোভিদ ভেক্সিন পুথোকপা অহানবা লৈবাক ইন্দিয়া ওইবা য়াই: মন্দাভিয়া

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়ন কম্পনি কয়ানা কোভিদ ভেক্সিন শাবগী চাং লেপ্তুনা হেনগৎলক্লি অমসুং লৈবাক অসি দি এন এদা য়ুম্ফম ওইবা কোভিদ ভেক্সিন পুথোকপা মালেমগী অহানবা লৈবাক ওইরকপা য়াই হায়না হেল্থ মিনিষ্টর মন্সুখ মন্দাভিয়ানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

রাজ্য সভাদা কোভিদ-১৯ মেনেজমেন্টকী মতাংদা চথখিবা অতেনবা মতমগী দিস্কসন অমদা মেম্বরশিংগী ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা মিনিষ্টরনা হায়খি, কম্পনি কয়ানা টেক্নোলোজি ট্রান্সফর তৌবগী থবক হৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অসিদা লৈরিবা ভেক্সিন কোন্নদবগী প্রোব্লেম অসি হন্থহন্নবা মখোয়না য়াম্না থুনা ভেক্সিন শাবা হৌরগনি।

মন্দাভিয়ানা রাজ্য সভাদা মখা তানা হায়খি, কেদিলানা কম্পনি অসিগী দি এন এ ভেক্সিনগী অহুমশুবা তাঙ্কক্কী চাংয়েং মপুং ফানা লোইদুনা দি দি জি আই (ড্রগস কন্ট্রোল্লর জেনরেল ওফ ইন্দিয়া)দা ইমর্জেন্সিদা শীজিন্নবগী অয়াবা পীনবা হায়জখ্রে। ভেক্সিন অসি মার্কেটতা ফংলকপা মতমদা ইন্দিয়া অসি দি এন এদা য়ুম্ফম ওইবা ভেক্সিন পুথোকপা অমত্তা ঙাইরবা লৈবাক ওইরগনি।

মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক অসিদা সেরম ইন্সটিট্যুটনা থা ১দা কোভিসিল্ড ভেক্সিন দোজ ক্রোর ১১-১২ সপ্লায় তৌবা হৌরে। ভারত বাইওটেকনসু ওগষ্টতা কোভিদ ভেক্সিন দোজ ক্রোর ৩.৫ সপ্লায় তৌরগনি।

ফংহনগদৌরিবা ভেক্সিনগী চাং ষ্টেটশিংদা নুমিৎ ১৫নি মাঙজৌননা খঙহল্লি। অদুনা ফিভম য়েংলগা মখোয়না ভেক্সিনেসনগী থৌরাং শেমজগদবনি। বাইওলোজিকেল ঈনা কম্পনি অসিগী কোভিদ ভেক্সিন অহুমশুবা তাঙ্কক্কী চাংয়েং চথরি। ভেক্সিন অসি দোজ ক্রোর ৭.৫ ফংহন্দুনা সেপ্টেম্বর-ওক্টোবরদা মার্কেটতা চঙলকপা য়াই।

মন্দাভিয়ানা হায়, জাইদস কেদিল্লা অমসুং ভারত বাইওটেকনা অঙাংশিংদা চাংয়েং চথবা হৌরে। মখোয়গী চাংয়েংশিংদু শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ। ঐখোয়গী সাইন্টিষ্টশিংদা ঐখোয়না থাজবা থমগদবনি। সাইন্টিষ্টশিং অমসুং ইন্দিজেন্নস কম্পানিশিংদা ঐহাক্না থাজবা থম্মী।

কোভিদ নাহনখিবশিংগী মশিং শুনা খঙহন্দে হায়বা ৱাফমগী মতাংদা মিনিষ্টরনা হায়খি, কোভিদনা শিহনবা মী মশিংগী রেজিষ্ট্রেসন ষ্টেটশিংনা পাঙথোকচৈ। সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা ষ্টেট অমত্তদা সেন্টরনা অশিবা মশিং নৎত্রগা কোভিদ কেস হন্থনা রেকোর্দ তৌনবা হায়খিবা লৈতে। মমাঙগী ৱেভশিংগী এক্সপরিএন্স য়েংলগা কোভিদকী অহুমশুবা ৱেভনা অঙাংশিং হেন্না শোকহনগনি হায়বসি চুম্লোই হায়না মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি।

ভাইস প্রসিদেন্টনা য়ুনিভর্সিটিজ সম্মিট হৌদোকখ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ভাইস প্রসিদেন্ট এম ভেনকয়া নাইদুনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা ৱর্ল্ড য়ুনিভর্সিটি সম্মিট-২০২১ (দব্লিয়ু য়ু এস ২১) হৌদোকখ্রে।

হরিয়ানাগী ও পি জিন্দাল গ্লোবেল য়ুনিভর্সিটিনা শীন্দুনা পাঙথোক্লিবা সম্মিট অদুগী থিমদি 'য়ুনিভর্সিটি ওফ দ ফ্যুচর: বিল্ডিং ইন্সটিট্যুসনল রেজিলিএন্স, সোসল রেস্পোন্সিবিলিটি এজ কম্যুনিটি ইম্পেক্ট' অসিনি।

সম্মিট অদু হৌদোক্লদুনা ভাইস প্রসিদেন্টনা হায়খি, ঐখোয়না কোরোনাভাইরস পেন্দমিক্কী চৈথেংদগী ফঙৎপা হৌরকপা অসিদা ঙসি হায়র এদ্যুকেসনগা মরী লৈননা ইস্যু কয়া থেংনরি। এদ্যুকেসন হায়বসিনা কান্নবা মওংদা নোলেজ শীজিন্নবা ঙমহন্দুনা লৈবাক্কী শেল-থুমগী থবক থৌরমশিং খুমাঙ চাওশিলহল্লি।

এদ্যুকেসনগী লম্দা ঐখোয়না কমপ্লেক্স দিমান্দ অমা মায়োক্নরি। অসিগুম্বা ফিভম অসিদা মহৈরোয় মশিং য়াম্বা অমসুং রুরেল অমদি অর্বান অনীগী মরক্তা লমদা খেন্নবগী মমি তাই। লৈবাক অসিগী তোপ তোপ্পা দাইভর্সিটি অসিসু ফেক্টর অমনি।

ভাইস প্রসিদেন্ট ভেনকয়া নাইদুনা হায়খি, ঐখোয়না এদ্যুকেসনগী লম্দা ভিশ্বগুরুশিং ওইনবগী পান্দম থমগদবনি। পেন্দমিক অসিনা ঐখোয়গী পুন্সিদা চৈথেং চাওনা পীবগা লোয়ননা মালেমগী ওইনা অঙাং বিলিয়ন ১.২ হেন্না স্কুল কাবা ফংহন্দ্রে।

ঙসি দাইরেক্ট-টু-হোম চেন্নেল ৩২না ওনলাইন এদ্যুকেসনগী খুদোংচাবা পীরবসু মীপূম খুদিংমক্না ওনলাইন ইনফ্রাষ্ট্রকচরগী খুদোংচাবা লৌবা ঙমদে হায়নসু নাইদুনা ফোঙদোকখি। দব্লিয়ু য়ু এস ২১গী স্কোপ অমসুং স্কেলগী মতাংদা এদ্যুকেসন মিনিষ্টর ধরমেন্দ্র প্রধাণদা ও পি জিন্দাল গ্লোবেল য়ুনিভর্সিটিবু থাগৎখি অমসুং হায়র এদ্যুকেসনগী লম্দা ইন্দিয়াগী শাংলবা পুৱারী লৈ হায়খি।

'ওক্সিজেন ৱাৎপগী মী শিবগী রিপোর্ট লাকখিদে'

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ওক্সিজেন সপ্লায় ৱাৎপদগী মী শিবগী রিপোর্ট অমত্তা লৈখিদে হায়না গভর্ণমেন্টনা পার্লিয়ামেন্টতা পীখিবা পাউখুমগী মতাংদা কোংগ্রেস অমসুং অতৈ ওপোজিসন পার্টিশিংনা মখা তানা এটেক তৌরকপদগী বি জে পিনা হায়খ্রে মদুদি, ওক্সিজেন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা মী শিখিবগী দেটা অমত্তা ষ্টেট গভর্ণমেন্টনা থারকখিদে।

কোভিদনা মী শিহনবগী মতাংদা পোলিটিক্স তৌই হায়নসু সেফ্রোন পার্টি অসিনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধি অমসুং ওপোজিসন পার্টিশিংবু চৈখি। প্রেস কনফরেন্স অমদা ৱা ঙাঙলদুনা বি জে পিগী স্পোক্সপর্সন সম্বিত পাত্রানা হায়খি, ওক্সিজেন ৱাৎপদগী মী শিখিবগা মরী লৈনবা দেটা অমতা লাকখিদে। ষ্টেট অমত্তনা ওক্সিজেন ৱাৎপদগী মী শিখিবগী রিপোর্ট পীরকখিদে।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট ফোর হেল্থ ভারতি প্রভিন পৱারনা রাজ্য সভাদা পীখিবা পাউখুমগী মতাংদা পল্লদুনা পাত্রানা হায়খি, হেল্থ হায়বসি ষ্টেট সবজেক্টনি অমসুং সেন্টরনা তৌরিবদি ষ্টেটশিংনা থারকপা দেটা কল্লেক্সন তৌবদনি হায়বসি মিনিষ্টরনা নাখৈ শেংনা পনখ্রে। মী শিবগী রিপোর্ট অমদা ইনগদবা গাইদলাইনশিংসু ইস্যু তৌখি।

ষ্টেট অমসুং য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংনা কোভিদ কেস অমসুং কোভিদনা শিহনবশিংগী দেটা সেন্টরদা চাং নাইনা পী। অদুম ওইনমক, ষ্টেট নৎত্রগা য়ুনিয়ন টেরিটোরি অমত্তনা ওক্সিজেসন কোন্নদবদগী মী শিখি হায়না মখোয়গী রিপোর্টতা পল্লকখিবা লৈতে। অরুবা ইস্যু ওইরিবা কোভিদনা মী শিহনবগী মতাংদা চমন্নবা থোকহল্লি হায়নসু পাত্রানা কোংগ্রেসকী লুচিংবা রাহুল গান্ধি অমসুং আম আদমি পার্টিবু চৈখি।

ইমরান খানবু ইন্দিয়ানা 'পর্সন ওফ ইন্টরেষ্ট' ওইনা খন্দোকখি: রিপোর্ট

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খানবু ইন্দিয়ানা কুমজা ২০১৯দা 'পর্সন ওফ ইন্টরেষ্ট' অমনি হায়না খন্দোকখি হায়না বৃটিশ পাউচে গর্দিয়াননা হায়রি।

পেগাসস প্রোজেক্টকা মরী লৈনবা লীক ওইরবা দেটাবেজদা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোন অমসুং অতৈ হেদ ওফ ষ্টেট অমসুং হেদ ওফ গভর্ণমেন্ট ১৩গী মোবাইল ফোন নম্বরশিং য়াওরি হায়না গর্দিয়াননা ফোঙদোক্লি।

লৈবাক ৩৪গী দিপ্লোমেটশিং, মিলিটরি চীফশিং অমসুং সিনিয়র পোলিটিসনশিং য়াওবা দেটাদা লিষ্ট তৌরিবশিংগী মনুংদা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান অমসুং সাওথ অফ্রিকাগী প্রসিদেন্ট সিরিল রামাদোসা য়াওরি।

গর্দিয়ানগী মতুং ইন্না, পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খান, কুমজা ২০১৯দা ইন্দিয়ান 'পর্সন ওফ ইন্টরেষ্ট' অমনি হায়না সেলেক্ট তৌখি। দেল্লীনা খানবু খন্দোক্তুনা টার্গেট তৌরম্বা য়াই হায়বা ক্লেমশিংগী মতাংদা ইন্দিয়া নৎত্রগা পাকিস্তাননা অকক্লনা কম্মেন্ট তৌরকপা লৈত্রি। ইন্দিয়াগী ওইনদি ইন্টরসেপসনগী মতাংদা ইষ্টেব্লিশ প্রোটোকোলশিং লৈজৈ হায়না লৈবাক অসিনা ফোঙদোরকপা লৈরে হায়না রিপোর্ট অদুদা পনখি।

পাকিস্তানগী পাউচে দোননা হায়, হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর নৱাজ শরিফনা মহাক্কী পোলিটিকেল ওপোনেন্টশিংগী পর্সনল দেটা লোন্না য়েংশিন্নবা হোৎনবদা থোইদোকপা থৌদাং লৌখিব্রা হায়বগী চিংনবা পাকিস্তানগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মিনিষ্টর ফারুখ, হবিবনা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা উৎখি। ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিগী মতেংগা লোয়ননা ইজরেলি স্পাইৱেয়রগী খুৎথাংদা শরিফনা ইমরানগী মরমদা ইনফোর্মেসন ফংলম্বা য়াই হায়না দোনগী রিপোর্ট অদুদা পনখি।

COUNCIL OF HIGHER SECONDARY EDUCATION, MANIPUR

ꯈꯪꯍꯟꯅꯕ / NOTIFICATION

Imphal, the 20th July, 2021

No.1/2/92-HSC(Vol-V): In view of the prevailing Covid-19 situation in the State and in continuation of this Office Advertisement of even number dated 8th March, 2021, 31st March, 2021 and 15th April, 2021 and the Office Advertisement vide No. 1/569/21-HSC dated 7th April, 2021 for direct recruitment of different categories of posts [**Assistant Programmer (IT), Lower Division Assistant, Data Assistant, Driver and Grade-IV**], the submission of duly filled in applications forms (along with required documents) shall be allowed upto **2:00 pm of 31st July, 2021** in the public interest.

The recruitment test shall be held in the middle of August, 2021 strictly adhering to the Covid-19 SOP/Guidelines. The exact date, time and venue of the recruitment test shall be notified in due course taking into consideration of the Covid-19 situation in the State of Manipur.

Sd/- **Ch. Biren Singh,** Secretary,
Council of Higher Secondary Education, Manipur

HL-B/7044/22

হান্নগী ভেলুমনিগী মায়োক্তা থীজিনবগী থবক কনশিনখ্রে

চেন্নাই, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

টামিল নাদু পুলিসকী ক্রাইম ব্রাঞ্চ স্পেসল টিমনা হান্নগী মিনিষ্টর অমসুং এ আই এ দি এম কেগী লুচিংবা এস পি ভেলুমনিগী মায়োক্তা চথবা করপসন চার্জশিংগা মরী লৈননা ইনভেষ্টিগেসনগী থবক হেন্না কনশিনখ্রে।

ইনভেষ্টিগেসন লোইশিন্দুনা রিপোর্ট অমা থাগৎলক্নবা মদ্রাজ হায় কোর্টকী অহানবা বেঞ্চনা গভর্ণমেন্টতা চয়োল নিপালগী মতম পীখ্রবা মতুংদা খোঙথাং অসি লাকপনি।

টামিল নাদু ষ্টেট হোম দিপার্টমেন্টকী ছোর্সশিংনা এজেন্সিদা ফোঙদোরকপদা, হায় কোর্টনা প্রোব অদু চয়োল নিপালগী মনুংদা লোইশিন্নবা অমসুং এস পি ভেলুমনিগী মায়োক্তা শীরিবা মরালশিংগী মতাংদা রিপোর্ট অমা পীরক্নবা গভর্ণমেন্টতা খঙহল্লক্লে। ইনভেষ্টিগেসনগী থবক হৌখ্রগনি। কেস অসিদা মথৌ তারবদি এফ আই আর অমা রেজিষ্টর তৌগনি।

কোর্পোরেসন কয়াগী কন্ট্রেক্ট পীবগা মরী লৈননা এন্টি-করপসন এন জি ও অরাপ্পোর ইয়াকমনা মিনিষ্টর অসিগী মায়োক্তা কমপ্লেন তৌখিবনি। এন জি ও অসিনা শীরিবা মরালশিং অদু ওদিট এন্দ একাওন্ট জেনরেলনা টামিল নাদু এসেমব্লিদা থমখিবা রিপোর্টকসু তান্নখি।

চীফ জষ্টিস সঞ্জিব বেনর্জি অমসুং জষ্টিস সেন্থিলকুমার রামামুর্তি য়াওবা মদ্রাজ হায় কোর্টকী অহানবা বেঞ্চনা কেস অদুগী মতাংদা কৃপ্না থীজিন্নবা অমসুং চেন্নবশিংগী মায়োক্তা এক্সন লৌখৎনবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা দিরেক্সন পীখি।

হান্নগী মিনিষ্টর অসি ৱাথোক অদুদা চেন্নদে হায়বা উৎপা ভিজিলেন্স এন্টি-করপসনগী রিপোর্ট অমা মদ্রাজ হায় কোর্টতা জুন ২১দা রিজেক্ট তৌখিবগা লোয়ননা স্পেসল ইনভেষ্টিগেসন টিম অমা শেম্লগা ৱাথোক অদুগী মতাংদা কৃপ্না থীজিন্নবা ষ্টেট গভর্ণমেন্টতা দিরেক্সন পীখিবনি।

এন জি ও অসিগী মায়োক্তা কনটেম্পট এক্সন লৌখৎনবা হান্নগী মিনিষ্টর এম পি ভেলুমনিনা মার্চ ২৬তা ফাইল তৌখিবা পিটিসন অমসু কোর্টনা দিসমিস তৌখ্রবনি।

ইন্দিয়াদা অহানবা ওইনা বর্দ ফ্লু নাবা নুপামচা অমা লৈখিদ্রে

ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

ইন্দিয়াদা বর্দ ফ্লুনা মী শিহনবগী অহানবা থৌদোক ওইনা এইমসতা লায়েংলিবা চহী ১১গী নুপামচা অমা লায়না অসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক-পোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রে।

ওল ইন্দিয়া ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (এইমস)কী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপদা, এভিয়ন ইনফ্লুএঞ্জাগী ইনফেক্সন লৈরবা নুপামচা অমা লৈখিদ্রে। লায়না অসি থিংনবগী চেকশিন-থৌরাং অমা ওইনা মরী লৈনবা ষ্টাফ খূদিংমক আইসোলেসন তৌরে।

রিপোর্ট খরগী মতুং ইন্না, মীওইবদা শোকহনবা ঙম্বা সবটাইপ ঐচ ৫ এন ৮ দিটেক্ট তৌখ্রবা হরিয়ানা য়াওনা চহী অসিগী অঙনবা শরুক্তা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা বর্দ ফ্লু শন্দোরকপা লৈখি।

বর্দ ফ্লু শন্দোরক্লবা মতুংদা দেল্লীদসু কেস খরা কনফর্ম তৌখিবগা লোয়ননা সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা এলার্ট লাউথোকখি। হৌখিবা জন্যুৱারীদা রেদ ফোর্টতগী কল্লেক্সন তৌখিবা সেম্পল অমা টেষ্ট তৌবদা পোজিটিভ ওইখি। মদুদগী দেল্লী গভর্ণমেন্টনা ঘাজিপুর পোলত্রি মার্কেট থিংজিলহনখি।

নুংঙাই-য়াইফবা মরুপ

সেগা রোদ খ্বাইরাকপম লৈকাই, ইম্ফাল

ꯑꯋꯥꯕꯥ ꯐꯣꯡꯗꯣꯛꯆꯕꯥ / অৱাবা ফোঙদোকচবা

ইম্ফাল, তাং ২১/৭/২০২১ ইং,

"নুংঙাই-য়াইফবা মরুপ" অসিগী মেম্বর অমা ওইনা লৈবিরম্বী খাইদেম ওংবী হরিপিয়ারি দেবী, সেগা রোদ কোঞ্জেং হজারি লৈকাইনা হৌখিবা তাং ১৮/৭/২০২১ ইং, ইঙেনগী ৯নি পানবা নোংমাইজিং নুমীৎতা মশাগী অনাবা অমনা খঙহৌদনা লৈখিদবদা মরুপ্পা কম্মিটিগী মীফম পাঙথোক্তুনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা মিনিট ২ (অনী) তুমিন্না লেপ্তুনা লৈখিদ্রবগী থৱায়না মপূগী লৈকোলদা ঈংনা-চিক্লা লৈরুনবসু থৌনীজখি অমদি ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়াজরি।

অৱাবা ফোঙদোকচরিবা : **এম ইবোমচা সিংহ**
জেনরেল সেক্রেটরি,
নুংঙাই-য়াইফবা মরুপ, ইম্ফাল

HL-P/6345/22

ꯊꯥꯒꯠꯄ/নুংশং ওপরেসন তৌদনা ফহল্লসি

Naorem Ibomcha

নুংশংগা মরী লৈনবা লাইওং খুদিংমক :- অমাংথোঙ নাম্থবা, পোন্থা-তঙবা, চেখাইবা, ঈ তাবা, খোঙ হান্বা য়াদবা, হাক্কৎচবা, নাই চারগা পোন্বা, অদুগা মখুল হুৎলকপা (ফেসতুলা), মচুম তাবা, ঈ অমাংবদা তৈরকপা, ঈ দ্রোপ-দ্রোপ তাবা, ঈ পেচকারিদৌনা কাপ্পা, মনুংদা পোন্বা (হেমোরোইদ), মনুংদা চাথৎপা, নাকল অমা চোন্থরকপা, মনুংদগী মতুম ওইনা ইন্থরকপা, চিকপা-শাবা, মপান অকোয়বা থাগৎপা, ফ্রা-ফ্রা লাওনা ইন্থরকপা, অমাংবা চেপ্পগা লাকপা, সনারৈ অথোনবদৌনা শাৎতোকপা, অরোয়বা তাঙ্কক হায়বদি খূৎনা ইনশিনবা, চঙদ্রবা (পদ্রাক-পদ্রাক তারবা) অমদি ওপরেসন তৌরুরগা অমুক হৌরকপা হায়রিবা লাইওংশিং অসি ওপরেসন তৌদনা য়াম্না লায়বা মওংদা ফহনবা ঙমজরে। মরম অদুনা মীয়ামগী লায়েংনবগী খুদোংচাবা থমজরি।

লায়েংজরিবা - **Naorem Ibomcha Meitei**
Heingang Awang Leikai Saya Club
Contact No. 6009147645/8014023792

HL-B/7035/15/7-15/9

চহী ৬ মথক্কী ইন্দিয়ন অপূন্বগী ৩ থোকপগী ২ কোভিদ এন্টিবোদি দিভলপ তৌরে



ন্যু দেল্লী, জুলাই ২১ (এজেন্সী):

চহী ৬কী মথক ওইবা ইন্দিয়াগী অপূনবা মীশিংগী শরুক অহুম থোকপগী অনী কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন থেংনদুনা লায়না অসিগী মায়োক্তা মশাদা এন্টিবোদি দিভলপ তৌরে, তৌইগুম্বসুং মীওই অহুমগী মনুংদা অমদি লায়না অসি নারকপা য়াবগী রিস্ক লৈরি হায়বসি আই সী এম আরগী খ্বাইদগী নৌবা নেসনল সেরো প্রিভেলেন্স সর্ভেনা উৎখ্রে।

মীয়ামদা কদায় ফাওবগী চাংদা কোভিদ এন্টিবোদিশিং দিভলপ তৌরবগে হায়বা খঙদোক্নবগীদমক সর্ভে অদু পাঙথোকপনি।

সর্ভে অদুনা চহী ৬ মথক্কী মীওই অপূন্বগী চাদা ৬৭.৬ কোভিদকী মায়োক্তা এন্টি-বোদিশিং দিভলপ তৌদুনা মখোয় মমাঙদা লায়না অসিগী ইনফেক্সন লৈখ্রে হায়বসি উৎখি।

সর্ভে তৌখিবা অঙাং অপূন্বগী তঙ্খায় অমা হেন্না সেরো পোজিটিভ ওইদুনা কোভিদ ইনফেক্সন লৈখি হায়বসি সর্ভে অদুনা উৎখি। ফিভম অসিদা আই সী এম আরনা ষ্টেট গভর্ণমেন্টশিংদা পীরিবা পাউতাক্তি স্কুল ষ্টাফর খুদিংমক ভেক্সিন মপুং ফানা (দোজ শুনা) কাপ্পবদি প্রাইমারি স্কুলশিং হাংবা য়াগনি হায়বসিনি।

সর্ভে তৌখিবা মীশিংগী ভেক্সিন ষ্টেটসকী মতুং ইন্না, ভেক্সিন কাপ্তবশিংদা সেরো পোজিটিভ ওইবগী চাং চাদা ৬২.৩ ভেক্সিন দোজ অমা কাপ্পবশিংদা চাদা ৮১ ওইখি অমসুং দোজ অনীমক কাপ্পবশিংদা চাদা ৮৯.৮ ওইখি।

চাদা ৮৫.২ ওইদুনা হেল্থ ৱর্করশিংদা সেরো প্রিভেলেজ খ্বাইদগী ৱাংখি। সর্ভে তৌখিবা হেল্থ ৱর্কর অপূন্বগী চাদা ১০ কোভিদ ভেক্সিন অমত্তা কাপখিদে হায়বসিসু খঙলকখি হায়না আই সী এম আরগী চীফ বালরাম ভার্গাভানা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ফোঙদোকখি।

কাওন্সিলগী দেটানা ইন্দিয়ন ক্রোর ৪০ হৌজিকসু কোভিদ ইনফেক্সনগী রিস্ক লৈরি হায়বসি উৎপগা লোয়ননা গভর্ণমেন্টনা মীয়ামদা ভেক্সিন মপুং ফানা কাপত্রবদি লম চথোক-চৎশিন তৌদনবা হায়রি।

ভাগাভানা হায়, লায়না অসি লাকশিনবা ঙন্নগনি হায়বগী থাজবা লৈরবসু কোমথোকপা নৎত্রগা চেকশিন্দবগী মওং লৈহল্লোইদবনি। এন্টিবোদি দিভলপ তৌদবা মফমশিংনা ইনফেক্সনগী রিস্ক খ্বাইদগী ৱাংই। মরু ওইবা ফাইন্দিংশিংদি সর্ভে তৌখিবা অঙাং অপূন্বগী তঙ্খায় অমা হেন্না সেরো পোজিটিভ ওই অমসুং এন্টি বোদি প্রিভেলেন্স অসি রুরেল অমসুং অর্বান এরিয়াশিং মান্নে হায়বা য়াই।

কোভিদ-১৯না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

Location	Cases	Recovered	Deaths
Maharashtra	62,30,000+9,389	60,00,000+7,510	1,31,000+3,656
Kerala	31,90,000+16,848	30,50,000+12,052	15,512+104
Karnataka	28,90,000+1,464	28,20,000+2,706	36,226+29
Tamil Nadu	25,40,000+1,904	24,80,000+2,439	33,782+30
Andhra Pradesh	19,40,000+2,498	19,10,000+2,201	13,178+24
Uttar Pradesh	17,10,000+69	16,80,000+155	22,737+9
West Bengal	15,20,000+752	14,90,000+992	18,021+10
Delhi	14,40,000+44	14,10,000+37	25,035+5
Chhattisgarh	10,00,000+189	9,84,000+320	13,504+4
Odisha	9,58,000+2,085	9,35,000+2,341	5,172+56
Rajasthan	9,53,000+22	9,44,000+66	8,951
Gujarat	8,25,000+29	8,14,000+61	10,076
Madhya Pradesh	7,92,000+19	7,81,000+31	10,512
Haryana	7,70,000+36	7,59,000+34	9,608+3
Bihar	7,24,000+82	7,14,000+126	9,632+2
Telangana	6,38,000+657	6,24,000+704	3,766+2
Punjab	5,98,000+68	5,81,000+115	16,244+7
Assam	5,51,000+1,798	5,28,000+1,645	5,029+10
Jharkhand	3,47,000+33	3,41,000+49	5,122
Uttarakhand	3,42,000+50	3,34,000+34	7,357
Himachal Pradesh	2,05,000+102	2,00,000+114	3,507
Goa	1,70,000+132	1,65,000+157	3,113+2
Puducherry	1,20,000+78	1,17,000+128	1,781+3
Manipur	**86,723+1,127**	**75,247+736**	**1,409+17**
Tripura	74,846+457	69,770+501	731+2
Chandigarh	61,907+14	61,056+18	809
Meghalaya	58,275+500	53,263+476	968+13
Arunachal Pradesh	43,804+476	39,269+404	203
Mizoram	29,020+725	22,061+373	126+1
Nagaland	26,838+94	25,146+79	532+2
Sikkim	23,796+147	21,009+113	325+1
Ladakh	20,278+14	19,978+19	206
Lakshadweep	10,092+16	9,969+14	49
Andaman and Nicobar Islands	7,518+2	7,370+2	129